থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মীওইবগী হৌরক-ৱারী - ২

মোদর্ন -এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংলবা ঙসিগী নহারোলশিং, মরুওইনা সাইন্স-স্ত্রীমদা মহৈ তম্লকপা মহৈরোয়শিংদা হংবীয়ু- 'মোদর্ন-মেন' (অনৌবা মতমগী মীওইবা) মালেমসিদা করম হৌরকখিবগে? চার্লস দার্ৱিনগী 'থিওরি ওফ ইভোল্যুসন' অমসুং 'নেচরেল সেলেক্সন'গী ৱারী লীথরক্কনি। সাইন্সকী বেকগ্রাউন্দ লৈতবা, জিনেতিক-সাইন্স করিনো খঙদবা মপা-মপু-মপুথৌ-পুরেনশিং অদুবু লাইরিক-হৈতবা, মপানগী তাইবং উদবা, হৈবোঙ মনূংগী তীনগুম্বা অপঙবা মীনি... খল্লিবনি মথম্মোয়দা। ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর... ক্রিয়েটর-প্রিজর্বর-দেস্ত্রোয়র (শেম্বীবা, য়োকপীবা অমসুং মাঙহনবা) ঈশ্বর অহুমগী অসূপ্পা মশক'কী ৱারী শারুবা- হায়রক্কনি, ধর্ম্ম'দা হকচীনবা, ফেনাতিক ওইবা অঙাওবনি। লৌবা য়াদবা ৱারীনি। ঈশ্বর হায়বসি অমত্তনি, মফম খূদিং লৈবনি'দি হায়রগা, মানা থাজবা ঈশ্বরদুবু থাজদবা, অতোপ্পা লাই অমা, মান্নদবা মমিঙ অমা থোল্লগা নীংবা... মাগী লাইনীংদুনা অচুম্বনি, অতোপ্পগীদুনা অরানবনি শন্দোকপা লাইনীং-খুৎপু ময়াম অমা লৈ, লাইনীং-লন্বী (রিলিজন) হায়বসি ফিলোজোফি অমনি কাউথোকপা। লাই হায়বসি অমত্তনি, অনী শুদে হায়বা, মাগী রিলিজন'দুনা হায়রিবদু মথম্মোয় শেংনা য়ারগদি, অতোপ্পা 'রিলিজিয়স ফিলোজোফি'না থাজরিবা লাইদুসু মাগীদুগা অমত্তনি হায়বসি য়াগদবনি। ধর্ম্ম অনী শুফম থোক্তে। অদুবু, ফিলোজে াফি হায়বসিদি ইন্দিজিভ্যুঅল অমগা অমগা মান্নদবা য়াই, ফিলোজে াফিকল আইদিয়া অমনা মীওই লীশিং কয়াগী লীপুন ওইনা পুনখিবসু য়াই। ফিলোজোফি হায়বা ৱাহৈসি ঈরোন'সিদা 'ৱাংউলোন' হায়নরল্লিবা, অচম্বা লোন নত্তবা 'ৱাংনা-উবা-লোন' (ৱাং-উ'-লোন) হায়বদি 'অৱাঙবা থাক্কী ৱাখল্লোন' অমা ওইবননি।

'দশাবতার'-বিষ্ণু কৌবা হিন্দুশিংনা লাৎচবা লাইদুনা, তাইবংসিদা তোঙান তোঙানবা মপোক-লাংওন তরাদা শায়োন্দুনা পোকখিবগী, হায়লি ফিলোজোফিকল ওইবা লাইরিক অমগী মমিংনি। হিন্দু-দর্শন-সাস্ত্র (হিন্দু ফিলোজোফি)গী খ্বাইদই মরুওইনা লৌনবা লাইরিক অমনি।

লাইরিকসিদা ইরিবা বিষ্ণুনা শায়োন্দুনা পোকখিবা মপোক তরাদুগী ৱারী-লাইগী ৱারী ওইনা পাগুমসি, ফিলোজোফিকল মিনিং থিমীন্নসি। অহানবা অবতার- মতশ্য নৎত্রগা মীন অবতার ! হায়বদি, ঙা ওইনা শায়োনখিবা মপোক। খুবাম্মুংদা লৈরম্বদগী অপীকপা পাত্র অমদা... অপীকপা পাত্রদুদগী হেন্না চাউনা পাত্র অমদা মথং মথং, লৈবা চন্দদুনা থাংদোরকপা... অচৌবা পুখ্রি অমদা লৈহল্লগা তূংদসু মহাক্না চাউবা হেনমল্লকপদগী পাক্লবা সমুদ্র ঈপাক্তা থাদোকখিবগী ৱারী... করিসু নত্তে, মৈবুল ওইনা লৈরম্বদগী ঈংথরক্তুনা, অচৌবা ঈপাক কয়ানা থল্লবা মালেম অমা ওইরকপা... মালেমদা থৱায় পানবা অমা ওইনা অহানবা 'জীব'দু ঙা'নি হায়বা তাকপনি। ঈশিংদতা লৈবা, কংফালদদি লৈঙমদবা থৱায় পানবা !

ঙা লৈনা লৈনা মথংদা অমুক লাকই 'কুর্ম্ম অবতার', থেঙ্গু ওইনা পোকপা মপোক ! ঈশিংদসু লৈবা ঙম্বা, কংফালদসু লৈবা ঙম্বা পুন্সি মখল অমা ! সাইন্টিফিক ওইবা লেঙ্গুৱেজদা, 'এমফিবিয়ন'। বিষ্ণুগী অনীশুবা শায়োন 'থেঙ্গু' ওইখিবদুনা তাকই- থৱায় পানবশিংগী ইভোল্যুসন- ঈশিংদগী কংফালদা লাকখি।

অহুমশুবা অবতার ওইনা শায়োল্লকখিবা বিষ্ণুনা, লমওক অমগী শকওং লৌদুনা- 'বরাহ অবতার'। ৱাখল খনবা ঙমদবা, ইন্টেল্লেক্ট য়াওদবা, লম্লক্কী শা-উচেকশিংনা মালেমসিদা খুনলীংলকপা কাল। দাইনোসর মখল কয়ানা তাইবংসিদা পাল্লম্বা মতম- 'জুরাসিক এজ'গী ৱারী খঙদবা লৈরম্লোই ইভোল্যুসনেরি সাইন্টিষ্টশিংনা। অদুবু মখোয়নদি খঙলম্লোই 'বরাহ অবতার' করিনো? লাল্লব্রা?

মথংদা লাকই- 'নরসিংহ', মরিশুবা অবতার ! মী-মরক, শা-মরক হায়নবা, শা ওইরম্বদগী মীগী মতৌ ওল্লকপা ! অচুম-অরান, অফ-ফত্তা খঙবা ঙমদবা থৱায় পানবা ওইরম্বদগী, লৈমিন্নরিবা থৱায় পানবশিংগী মথক্তা মীওৎ-মীনৈ চত্থবা ফত্তবশিংবু মাঙহনগদবনি হায়বই ৱাখল পোল্লকপা, এনিমেলিজমদগী ইন্তেল্লিজেন্সকী ৱাখল পোল্লকখিবগী অহৌবা।

মী-মরক, শা-মরক ওইবা অবতারদুগী মতুংদা লাকই মঙাশুবা অবতার- লৌশিংলবা, মথীক নেম্বা 'বামন অবতার'। মথীক-নেম্বা-ব্রাহ্মন অমা ওইনা শায়োল্লবসু, মবুদ্ধি-মরৌশিংগী মতেংনা মরোল অহুম্মকসিবু খুদুম চনবা ঙম্বা মীজাও-মীশাং অমসু ওইবা ঙম্বা লৌশিংবা। মতম অদুদনি, মালেমসিদা মী মখল অনী লৈরম্মী- হোমো ইরেক্তস অমসুং হোমো সেপিয়ন্স ! হোমো সেপিয়ন্স কৌবা মী মখল- পূক্লিং ৱাখল অনীমকপু নীংথিনা খায়দোক্তুনা শীজিন্নবা ঙম্বা, ব্রেন নীংথিনা দিভেলপ তৌরবা 'হোমো সেপিয়ন্স'না হিংহৌরগা 'হোমো ইরেক্তস' কাঙলুপতুগী খোঙ্গুল মূৎখি।

তরুকশুবা অবতার 'পর্শুরাম'দি মখূত্তা শীংজঙ পায়রক্লে। মশা ঙাকথোকচনবা নৎত্রগা অতোপ্পা (য়েক্লবা)বু খুদুম চন্নবা খূৎলায় শাবা/ শীজিন্নবা হৈরক্লে। উমং-ৱামং অমদি শুরুংনচিংবদা লৈরম্বা, শাউগনবা, লৈপাক খুন্নাই লীংদবা, মীরক তীনবা হৈতবা মীরোল ! মীরোলদুগী শক্তম ওইবা শায়োন'নি পর্শুরাম।

ভগবান বিষ্ণুগী তরেৎশুবা অবতার 'শ্রীরাম'- মালেমসিদা অহানবা হ্যুমেন রিলেসন্সিপ শক্তাক্লম্বা, লো অমসুং ত্রেদিসন হৌদোক্লম্বা, অচুম-অরান মশক খঙনা হিংলখিবা মী, রাসনেল মেন অদুনি। কল্লক-মিহৌ, অপাম-নুংশি, ওইজ-ওইথক, অশাউবা-নুংওনবা... পূম্নমকপু খুদুন চন', মতম চুপ্পদা মোমোন-মীনোক্না লৈতেংবা মায়থোঙ, নাপন হায়বদু করিনো খঙখিদবা মালেমগী অহানবা মীশকনি- শ্রীরাম ! অচুম্বতনা মায় পাকই 'সত্য মেব জয়তে' হায়বা ৱাহৈ মতমদুবু নীংশিংদুনা শেমখিবা ৱাহৈনি।

মখূত্তা লাঙ্গোন পায়বা 'বলরাম'- বিষ্ণুগী নিপালশুবা শায়োন্নি। মীওইবদা লৌ-খোইবা, লৌ-উবা হায়বা শিনফম অসি তন্বীরম্বা/ তাকপীরম্বা অহানবা মীনি পর্শুরাম- শ্রীবিষ্ণুনা য়ায়োন্দুনা পোল্লম্বা। মীওইবনা হিংনবইদমক 'এগ্রিকলচর'- তঙায়ফদবা শিনফম অমনি... বলরাম'না তাক্লম্মী।

মথং মথং শায়োল্লক্তুনা, মাপলশুবা অবতার ওইনা শ্রীকৃষ্ণ থোল্লকপদদি মালেমসিদা মীওইবা মরক্তা ওইদ-পাদ', মীনম-শোরি', কল্লক-য়েংথি', নুংশিনদবা, তৃক্কচ্চনবগী অয়ৌবী থাক্তা লৈরম্লে। কাং-খোং চাইরবা সোসল-স্ত্রকচর অদুগী অনৌবা য়ুম্ফম থোন্নবা, অনৌবা সোসল-ওর্দর অমা পুরক্লবা, হৈ-শিংবা, লৌশিং লৈবা ষ্টেৎসমেন, দিপ্লোমেৎ, পোলিটিসিয়ন অমগী মথৌ তারম্লে। নুংশিবা মাঙখ্রবা খুন্নাইদুদা নুংশিবা মশক তাক্লবা, নুংশিবা য়েন্নবা, নুংশিবা হায়বসিতনা হিংমীন্নবগী অমত্তা ঙায়রবা পান্থৈনি হায়বদু তাক্লবা মতমদুদা শায়োনখিবনি শ্রীকৃষ্ণ মিংথোনবা মী ওইনা পোক্তুনা। রাজনিতি, কুটনিতি অনীমক হৈবা পোলিটিকল নেগোসিয়েটর... গুন পূম্নমক্না লৈতেংলবা শ্রীকৃষ্ণদি ম্যুজিসিয়ন অমসুনি, প্রেমীশিংগী প্রেমিকানি, এদ্যুকেটর অমসুনি।

তরাশুবা অবতারদুগী মতীক-মগুন-মশক্তি ময়েক শেংনা শৈথারমদে। শ্রীকৃষ্ণনা শায়োনখিবা কলি য়ুগকী অরোয়বদা শায়োল্লক্কনি হায়রম্বা 'কালকি' অবতার অদুদি মখূত্তা তথক্লনা লংলবা থাঙশাং পায়রগা অচৌবা শগোল তোংলগা লাক্কনি হায়বনি। ঐখোয়না শক-লাকপা ঙমদবগী ৱাতনি, লাক্লম্লনি নহান্না। কলি য়ুগ লোইবদদি ধর্ম্মগী য়ুম্ফম মাঙখ্রনি, চরাঙনবা-হাৎন-শুনবা-থাজনদবনা খুন্নাইগী মশক ওইরনি, মতমদুদা মফমদুদা খুদক্তুদা কালকি মহাক লাক্কনি... ওইরগনি সত্য-য়ুগ অমগী অহৌবা।

ৱাফম অসি চার্লস দার্ৱিন'না খঙলমগদ্রা হান্নবা, মহাক্কী লাইরিক্তু ইদ্রিঙৈ?

লৌশিং পুক্কে

# অঙাংখক্তা নত্তনা মমা

## ওইবীদসু হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নখ্রবা ব্রেষ্ট ফিদিংগী মরমদা খঙজিনসি

অ ঙাং খক্তা নত্তনা মমাদসু কান্নবা ফংহল্লি হায়বা খঙলকপদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকুম্বা চাউখৎলবা লৈবাকশিং অমসুং অতৈ চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা মমাগী খোল্লাং পীথকপগী থৌরাং পাক-শন্না লৌখৎনরক্লে।



মমাগী খোল্লাংদা মপা লৈতনা কান্নরবা পোৎলম কয়ামরুম য়াওবা মরম্না পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংশিংগীদমক্তদি শিদ-হীদাক ওইনা লৌবা য়াই। খোল্লাং পীথকপনা কান্নরিবসি অনীমক্তনি। মমাসু, মচাসু ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবগা লোয়নননা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকই।

চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা মমাগী খোল্লাং পীথকপগী থৌওংনা অঙাং অমদি মমাদা করি কান্নবা ফংহনবগে হায়বগী মতাংদা এজেন্সী ফোর হেল্‌থক্যের রিছার্স এন্দ ক্বালিটি (এ ঐচ আর ক্যু) না তেন্তকপা রিপোর্ট অমা কুমজা ২০০৭ তা ফোঙলকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়রি, পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অমগী মফমদদি খোল্লাংগী মহুৎ শিনবা য়াবা অতৈ পোৎলম অমত্তা লৈতে। কৈথেলদা য়োল্লিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী শঙ্গোম মকুপ (ফোর্ম্যুলা পাওদর) না খোল্লাংগী মহুৎ শিনবা মতমদা অঙাং অদুগী তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই।

ফোর্ম্যুলা পাওদরনা শঙ্গোমগী মহুৎ শীন্দুনা য়োকপা অঙাং খুদিংমক দাইরিয়া, নাকোঙ লাইখুন, লৱর রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন, ল্যুকেমিয়া, টাইপ-টু দাইবেটিস, অজমা অমদি ওবেসিটি (হকচাংগী অৱূম্বা হেনবা) গী খুদোংচাদবা মায়োক্ল রকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মসিগীসু মথক্তা মনুং মতম চাদনা শিহনবা ফাওবা য়াই।

অমরোমদা, খোল্লাং পীথকপনা অঙাং অদু খক্তদা নত্তনা মমা ওইবীশিংদসু কান্নবা ফংহল্লি। মমা ওইবীশিংনা মচাদা খোল্লাং পীথকপা মতমদা ব্রেষ্ট কেন্সর অমদি ওভারিয়ন কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি। মতম শাংনা মচাদা খোল্লাং পীথকপা মতমদা অতৈ অতোপ্পা হকশেলগী ওইবা কান্নবা কয়ামরুম মমা ওইবীশিংদা ফংহল্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রিভেন্টিভ সার্ভি সেস টাস্ক ফোর্স (য়ু এস পি এস টি এফ) কী রিপোর্ট অমনা হায়খি, হকশেলগী ওইবা কান্নবখক্কী ৱা নত্তবদা খোল্লাং পীথকপনা মমা-মচা অনীগী মরী নকশিন্নহল্লি। নুপী ওইবীশিংনা অঙাং উনরবা মতুংদা হেক-হেক মায়োক্লগনবা পোষ্ট-পার্টস দিপ্রেসনগী রিস্কসু হন্থহল্লি। পোষ্ট-পার্টস দিপ্রেসননা মমা-মচা অনীমক্তা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

মমাগী খোল্লাং খক্তা পীথকপা মতমদা ফোর্ম্যুলা পাওদর লৈদ্রবনিনা ইমুংগী চাদিং হন্থহল্লি। অঙাংসু অনা-অয়েক য়াওদ্রবনিনা ঙাইহাক লৈতনা লায়েংবগী শেল তিংলরোই।

কুমজা ২০১০ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না অঙাংশিংবু মমাগী খোল্লাং খক্তা পীথকপা মতমদা চহীগী ওইনা দোলর বিলিয়ন ১৩ রোম চাদিং হন্থহনবা ঙমগনি হায়বা খঙলকখি।

মমাগী খোল্লাং পীথকপনা ঈশিং-নুংশিৎ শেংহনবগা লোয়নননা অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থম্বদসু চাউনা মতেং পাংই। অঙাং অমনা হেক পোল্লকপগা থা ৬ ফাওবা মমাগী খোল্লাং খক্তা পীথকপা তারবদি ফোর্ম্যুলা পাওদর লৈদ্রবনিনা অমোৎ-অকায় হেনগৎহল্লরোই। অঙাং মিলিয়ন অমনা ফোর্ম্যুলা পাওদর থকপা মতমদা পাওদর অদুবু হাল্লকপা কন্টেনর (চেখাউ নৎত্রগা কৌটা) মিলিয়ন ১৫০ অমোৎপা ওইনা হুন্দোরকই। কন্টেনর খরা রিসাইকল তৌখিবা তারবসু অয়াম্বদি অমোৎপা ওইনা হুন্দোরকপা মরম্না অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ (এনভাইরনমেন্ট) মোৎশিল্লকই।

হকশেল, শেল-থুম অমদি এনভাইরনমেন্টতা কান্নবা পীবগী মথক্তা হীরম কয়াদা কান্নবা মরম্না অমেরিকান একাদেমী ওফ পেদিয়াট্রিক্স (এ এ পি), অমেরিকান একাদেমী ওফ ফেমিলি ফিজিসিয়ন্স, অমেরিকান একাদেমী ওফ ওবষ্টেট্রিসিয়ন এন্দ গাইনিকোলোজি, অমেরিকান কোলেজ ওফ নর্স এন্দ মিদৱাইভস, অমেরিকান দাইটেটিক এসোসিএসন, অমেরিকান পব্লিক হেল্‌থ এসোসিএসন অমদি ব্রেষ্ট ফীদিং প্রমোসন নেটৱার্ক ওফ ইন্দিয়ানচিংবা কয়ানা অঙাং অমবু হেক পোল্লকপগা থা ১২ ফাওবদি মমাগী খোল্লাং খক্তা পীথক্কদবনি হায়রি।

হায়রিবা মতম অসিদা অঙাংশিংবু মখল অমত্তগী মহী নৎত্রগা মপংগী ওইবা চীঞ্জাক পীজরোইদবনি। মমাগী খোল্লাং পীথকপনা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফহনবগা লোয়নননা চপ চাবা চাংদা কান্নরবা ন্যুট্রিয়েন্ট খুদিংমক মচল শুনা ফংহল্লি। এলর্জি, দাইবেটিস, কেন্সর অমদি ইনফেক্সন য়াওনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকই। মমাগী খোল্লাং পীথকপনা অঙাংশিংবু পুক্লিং লৌশিং হেনগৎহন্দুনা মহৈ-মশিনদা মাঙজিল থাবা ঙমহল্লি হায়রি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা রাজা রামমোহোন রোয়গী ২৫০শুবা বার্থ এনিভর্সরি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লম্লাই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী পুংদোংবমদা লৈবা লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা রাজা রামমোহোন রোয় ফাউন্দেসন কোলকাটানা স্পোন্সর তৌদুনা রাজা রামমোহোন রোয়গী ২৫০শুবা বার্থ এনিভর্সরি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।



ঙসিগী থৌরম অদুদা ২-শওম্লুং জি পিগী জিলা পরিষদ মেম্বর আই রবিচন্দ্র, লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল পুংদোংবমগী প্রিন্সিপাল কে সোমোবালা অমদি ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালগী চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরমদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা আই রবিচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনসু মালেম শীনবা থুংনা মমিং লৈরবা রাজা রামমোহোন রোয়গী মতাংদা খঙননবা হোৎনবগা লোয়নননা মখোয়না থেংনখিবা অমদি মখোয়না হোৎনখিবশিংদু খঙজিন্দুনা ঐখোয়গী পুন্সিদসু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়নননা খুন্নাইদা কান্নবা পীবা ঙম্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল পুংদোংবমগী প্রিন্সিপাল কে সোমোবালানা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয়শিংনা য়ারিবমখৈ মহৈরোয়গী পুন্সিগী তাঙ্কক অসিদা অৱা-অনা থিদনা কন্না হোৎনগদবনি। মরমদি মহৈরোয়গী পুন্সি অসি অমুক হন্না লাক্লরোইদবা তাঙলবা মতম অমনি। লাইরিক হায়বসি কোন্না অমুক তমগে হায়না হোৎনবদা অৱাবা শোয়দনা ওইগনি। মরম অদুনা ওজাশিংনা তাকপী-তম্বীরিবা পুম্নমক মুন্না তাশিন্দুনা খঙ-হৈরবা মীশক অমমম ওইনবসু হোৎনগদবনি। লোয়নননা খুন্নাই অসিদা মহৈরোয় অমা ওইনা অমদি লাইরিক তম্লবা মতুংদা খুন্নাইগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাংশিংসু লৌবা ঙম্নবা হৌজিক্তগী হৌনা ৱাখল্লোন অমগা লোয়নননা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবী ষ্টেট সেন্ট্রল লাইব্রেরীগী চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলানা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা তঙাইফদনা লাইব্রেরীদা চৎপগী হৈনবী থমদুনা খঙ-হৈহৌনবা হোৎনগদবনি। মমিং লৈরবা রাজা রামমোহোন রোয়গুম্লবা লৈবাক অসিগী অফাওবা মীওই কয়াগী পুন্সি ৱারী পাদুনা ঐখোয়নসু মখোয়না তৌরম্বা অফবা থবকশিং অদু তৌবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিং য়াওনা পুংদোংবমদগী শওম্লুং গেট ফাওবা মীয়ামদা এৱ্যেৰ্নেস পীনবগী পান্দমদা রেল্লি অমসু চৎখি।

# নীট (য়ু জি) মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা অহানবা নীট, জি-আই আই টি অমসুং এন দি এ ব্লেন্দেদ লর্নিং সেন্টর অমা ওইরিবা থৌবাল ওক্রম ৱাংমতাবদা লৈবা ফেন্সিয়র স্কুলগী কমপ্লেক্সতা হাংলিবা জোভিয়ল করিয়র ফাউন্দেসন (জে সী এফ)তগী এন টি এ-নীট (য়ু জি) ২০২২দা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি লর্নিং সেন্টর অসিনা শীন্দুনা ফেন্সিয়র হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা সঞ্জু থোকচোম দিরেক্টর ইদুলাইফ ইন্দিয়া, জে াতিন সলাম ফাউন্দর প্রিন্সিপাল পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমী, হোদাম প্রিয়োকুমার প্রসিদেন্ট ফেন্সিয়র এদ্যুকেসনল সোসাইটি, কঙাবম সরতচন্দ্র প্রিন্সিপাল ফেন্সিয়র হায়র সেকেন্দরি স্কুল থৌবাল অমদি অতৈ ফেকল্টি মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

নীট মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক্তগী রাজ ফৈরোইজম, বামোল কম্পু ময়াই লৈকায়দগী অকোইজম নেস্লিন, য়াইরিপোক হুইকপ মখা লৈকায়দগী লিপলেন্স অমসুং হৈঙাং অৱাং লৈকায়দগী মোইরাংথেম জ ুলেন্দিয়ানচিংবনি। তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা নীট মায় পাক্লকখ্রবা হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিবু লর্নিং সেন্টর অসিগী মায়কৈদগী মখোয়গী তুংগী পুন্সিদসু হেন্না মায় পাকপা ওইসনু হায়না য়াইফ-থৌজাল পীবগা লোয়নননা শেলগী মনা, সোল অমদি অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা ঈকায়খুম্ন বগা লোয়ননা পূক্লিং থৌগৎখি।

থৌবাল ওক্রম ৱাংমতাবদা লৈবা ফেন্সিয়র স্কুলগী কমপ্লেক্সতা হাংলিবা জোভিয়ল করিয়র ফাউন্দেসন অসি ভিভেক ওবরোই ইনিসিএটিভ বেঙ্গলুরুগী আই-৩০ লর্নিং সেন্টরগা কোল্লাবোরেসন তৌরগা অমদি ইদুলাইফ বেঙ্গলুরু, ফেন্সিয়র এদ্যুকেসনল সোসাইটি অমসুং পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমীনা পুন্না কো-স্পোন্সর তৌরগা কুমজা ২০২১দা অহানবা ওইনা হাংদোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীথুংলেনশিংনা নীট এগজ ামদা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুবু পূক্লিং থৌগৎখিবগা লোয়নননা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা পাঙথোকপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু তাকপী তম্বীখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৯।২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা; অয়ুক পুং ১০.২৬ ফাওবা লাংবনগী ১৯ নি পাল্লি, মতুং ২০নি পাল্লনি।

মেষ: ঙসিসু অশাওবনা মাঙজবা, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈ। অনিংবদি পাঙবা, শেল-থুমগী লমদা মায় পাকপা, মরুপ মপাংগা মরী ফবা, মীংচৎ ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: অচুম্বা চৎপা, পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম ফংনবা হোৎনবা অমদি লৈজবা লৌশিং ফুদোকপনা কান্নবদি লৈগনি। য়েৎনবা অমদি চিন কনবগী কান্নবদি লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

মিথুন: অশিংবা তান্নবা নত্তনা অতৈ লমদদি মায় পাকচগনি। লম চৎপা কান্নগনি, থাজদবা মরমদগী শেলনচিংবা ফংজগনি, লেপ্তুনা চঙশিনবনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি হেন্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, নীঙবা থবক পাঙগনি, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা কান্নগনি, নচা-ননাইগী লমদা ওইজবা ফংগনি। শিখাঙ খাঙবদি কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: থৌনা ফুদোকপগী কান্নবা ফংগনি অদুবু পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎপনা নরলদা তায়নরবা য়াই। হন্থবা লোয়নরগা অমদি অশিংবা শাবনা অপঙ তাগদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনদনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: লান্দা লাল্লুনু মায় শোয়দনা পাক্কনি। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা অমদি অফবা লৌশিং তানশিনবসু ওইজবা ফংগনি। মুক্লবা, চিন কনবা, য়েৎনবনদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: নীংজবা থুংগনি, অফবা থবক পাঙগনি, মীয়ামগী মতেংনা কান্নবা চাওনা ফংগনি, মাঙলোমদা চঙশিল্লু। ইমুংদা মীনা হনচক ঙাচক শাবদি লৈগনি-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: মায় পাক্কনি, খুৎচাও থাবা মতাং চারে, নাইতোম অরুবা থবক্তা মাঙজিল থানা পাঙবা ঙমগনি। য়েক্লবনা তাথিবা লৈতনবা-য়াকা য়েংনা চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: ইমুং মনুংগী ৱা নত্তনা অতৈগী ৱাদি লৌদবা ফরনি, হান্নদৈ পাঙলকপা থবক থৌরম নত্তনা খুৎ থাগনু। য়েক্লবনা মরুপ শাদুনা লাক্কনি- য়েৎনদনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙবনা হেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মীৱা লৌবা, হোয়া ফবা, অহৈ-অপা শাবা কান্নবা অমত্তা লৈরোই। মতেং পাঙথোক্তুনা মীয়াম্না য়ানবা চৎলু, অরিবা থবক্তমক পাঙউ, নচা-ননাইনা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হামু হামুনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: নীঙবা থুংগনি, য়েক্লববু লায়না খুদুম চনগনি, পীথোকপা/ কথোকপগী কান্নবদি ফংগনি। পাইরক্কী লৌশিংদি শোনগনি, অশাওবা ফাথদ্রদি মরুপ কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: অঙম্বা/নথক থোংবগী মতেংনা ওইজবা ফংগনি-লাই-গুরুগী ৱা তাউ। ঙাইঙমদবা তৌগনু পনখিবা শেল-থুম ফংবা য়ানা লৈরে। মরুপ মপাং লোয়নবদি লুই।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি : মংলেম্বা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১২দা পাঙথোকখিবা প্রেস মীট অমদা ওল ময়াই লম্বী ত্রান্সপোর্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনি হায়জবা মীওই অমনা ময়াং ইম্ফাল রোদ মোটোর ত্রান্সপোর্ট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদনা মতম কুইনগী মমাঙদগী ময়াই লম্বী অসিদা পব্লিক্কী য়েংদুনা সর্ভিস তৌদুনা লাক্লবা অসিগুম্বা সোসাইটি অমবু য়াম্না লান্না রন তৌবা সোসাইটি অমগুম মীয়ামদা উহন্নবা পাউচেশিংদা হাপ্লকপা অসি তশেংনা লাইবক থীবনি হায়না সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি এস মংলেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ময়াং ইম্ফাল রোদ মোটোর ত্রান্সপোর্ট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ হায়রিবা সোসাইটি অসি কুমজা ১৯৬৭-৬৮দা রেজিষ্টর তৌদুনা মতমদুদগী মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লৈরক্লবনি। মতম খরগী মমাঙদা সোসাইটি অসিগী মখাদা ময়াং ইম্ফাল ষ্টেসনদা বস ২৭, ৱাবগাই ষ্টেসনদা বস ২৮, তেরা ষ্টেসনদা বস ৬, কোম্লাখোং ষ্টেসনদা বস ২, ফৌবাকচাও ষ্টেসনদা বস ২, উচিৱা ষ্টেসনদা বস ২, খেলাখোং ষ্টেসনদা বস ৩, লৈশাংথেম ষ্টেসনদা বস ২, বেঙ্গুন ষ্টেসনদা বস ১, রিং রাউন্দ সর্ভিসতা ইম্ফালদগী ককচিং ফাওরগা বস ৩, শুগনুদগী ৱাবগাই লমখায় ফাওরগা বস ১, ইম্ফালদগী চান্দেল ককচিং ফাওরগা বস ১ পুন্না সোসাইটি অসিগী মখাদা বস ৭৮না সর্ভিস তৌরম্বনি। অসিগুম্লবা সোসাইটি অমবু খঙহল্লমদনা মতৌ করম্না ওল ময়াই লম্বী ত্রান্সপোর্ট এসোসিএসন শেম্লল্লিবনো হায়রি।

মসিদা হৌজিক হৌজিক সোসাইটি অসিগী মখাদা ময়াং ইম্ফাল ষ্টেসনদা মেজিক ৪০, সেকমাইজিন ষ্টেসনদা মেজিক ১০, কোম্লাখোং ষ্টেসনদা মেজিক ১২, তেরা ষ্টেসনদা মেজিক ৮ অমদি ৱাবগাই ষ্টেসনদা বস ২৮না সর্ভিস তৌরিবনি। মসিদা বস ২৬ খক্না সর্ভিস তৌরি হায়বসি অরানবা অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। মীওই অদুনা পার্কিংগী মতাংদা হায়রিবা অসিসু খঙদনা হায়বনি। মতম-মতমগী গভর্ণমেন্ট পোলিসীগী মতুংইন্না পার্ক তৌদুনা সর্ভিস তৌবনি। মমাঙদা জে ানষ্টোন মনিং, উরিপোক, নাগামপাল, ৱাহেংবম লৈকায়, অন্দ্রো পার্কিং কৈশাম্পাৎতা পার্ক তৌদুনা সর্ভিস তৌরম্মী। অদুবু গভর্ণমেন্টকী কুমজা ২০১৫গী ওক্তোবর ৩দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ৱাহেংবম লৈকায়দা পার্ক তৌরম্বনি। অদুবু মতম খরগী মমাঙদগী গভর্ণমেন্ট পোলিসী অমদি ত্রাফিক্কী এদভাইস মতুংইন্না ৱাহেংবম লৈকায় ক্রিমিটোরিয়ম মপাদা পার্ক তৌহনবনি। মসিদা ঙাইহাক লৈতনা পার্কিং হোংদোক হোংজিন তৌবা হায়বসি গভর্ণমেন্ট পোলিসী অসি ঙাইহাক লৈতনা শেমদোক শেমজিন য়াবদৌনা খনবা অসি লাইবক থীবনি হায়রি।

# 'ইবুধৌ মার্জিং রোদ শেম্বনা সেপ্টেম্বর ১৬তগী লম্বী অসিদা হেভি ভেহিকল চৎপা অথিংবা থম্লে'



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা হৈঙাং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ইবুধৌ মার্জিং রোদ (অহল্লুপতগীনা মন্ত্রিপুখ্রি) লম্বী অসি নৌনা শেমজিনগদবনা মরম ওইরগা হেভি ভেহিকল চৎপা অথিংবা থম্লে হায়না য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টর (ৱাই সী সী আই সী), কোন্থা অহল্লুপকী সেক্রেটরি এন সঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কোন্থা অহল্লুপকী ক্লব অনী ৱাই সী সী আই সী অমদি কে এ এস দল্লিয়ুনা অপূনবা মীফম অমা দল্লিয়ু প্রেমচন্দ্রনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা য়েৎনবা লৈতনা অমত্তা ওইনা ক্লব অনীসিনা কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা লম্বী ইবুধৌ মার্জিং রোদ (অহল্লুপতগীনা মন্ত্রিপুখ্রি)কী লম্বী অসি ফীভম থীনা শোকপনা নৌনা শেমজিনগদবনা মরম ওইরগা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৬তগী লম্বী অসিদা হেভি ভেহিকলশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্বা অমদি লম্বী অসি শেমজিনবদা কনাগুম্বা লন্নাই মীওইশিংনা অয়েৎপা পীবীদবা হায়বনচিংবা ৱারেপশিং লৌখিবনি।

মীফম অদুদা এন সঞ্জয়, দল্লিয়ু প্রেমচন্দ্র, এল তুলেশ্বর, দল্লিয়ু রঞ্জিৎ, জেমস হৈয়াম, দল্লিয়ু জয়দীপ, দল্লিয়ু সুরচন্দ্র, সী ঐচ খেলেন, এ খেলেন্দ্রো অমদি সী ঐচ মেমচানচিংবশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।